# লুৱাং তৌনা খোক ৱা ওন্দুনা করাং চীংদা হৌখিবগী ৱারী

**ফুঙ্গা ৱারী**

**থোকচোম থৌয়াঙবা**

**থায়না** মমাঙঙৈদা মোইরাং হায়বা লম অসিদা থাঙতেক শুংনাইবা কৌবা নিংথৌ অমা পাল্লম্মী। মহাক্না নিংথৌ ওইদুনা পাল্লিঙৈ মতম অসিদা মোইরাংগী লমদা লৈরিবা লোক্তাক হায়রিবা পাৎ অসিদা য়াম্না চাউখ্রবা পাউবিরাই হায়না কৌবা লাইরেল অমা লৈরম্মী। লাইরেন অসিনা নুমিৎ খুদিংগী লোক্তাক্তা কুপ্লকপা মীশিংবু ফা ফাদুনা চারম্মী। মসিদগী হেন্দোক্তুনা লাইরেল অসিনা মীগী খুল্লক্তা চঙদুনা তাইবঙ মীওইবশিংবু ফাদুনা চাবা হৌরক্লম্মী। মতম অসিদা মোইরাংদা লৈবা নুপা মখৈনা মখূৎতা মতিক চাবা খূৎলাই পায়দুনা লাইরেল অসিবু হাৎনবা হোৎনরম্মী। অদুবু করিগুম্বা অমত্তা কান্নবা ফংখিদ্রে। মতম অসিদা থাঙতেক শুংনাইবা কৌবা নিংথৌ অসি মহাক্কী মচা মনাই ওইবা মীশিং অদুবু লাইরেল অসিনা অফঙ অফঙবা ফাদুনা চাখৎলকপা অসিদা কেগে মোইরাংদা লৈরিবা মী মখৈ তূম্বা তারে করম্নো হায়না নুংশুক নুংজানদুনা মতম পূম্নমক্তা মপূক্নিং নুংঙাইতনা লৈরম্মী। মহাক্না অসুম্না নুংঙাইতনা লৈবা অসিদা মোইরাংগী থাংজিং কৌবা লাইনা উরদুনা তরঙ লাইপাউ লাউবিরদুনা থাংতেক শুংনাইবা নিংথৌগী অৱাবা কোক্নবা পাউজেল পীরক্লম্মী। "হায় হায় থাংতেক শুংনাইবা নিংথৌ নহাক্না নহাক্কী নচা-ননাই পূম্নমকপু পাউবিরাই হায়বা লাইরল অসিনা লোইনা ফা ফাদুনা চাখিদুনা মোইরাং লৈপাক তুম্বা তারে হায়না নথ্বায় ৱারিবদু ৱারুগনু পাউবিরাই হায়বা লাইরেল অসিদি অচম্বা লাইরেল নত্তে নপুথৌ চোথে পাখঙবনা ওনবা তাইবঙ মীরোল খঙবা লাইনি অদুনা ইপুথৌনা তাইবঙ য়ূমলক চঙদুনা নমু তাইবঙ অফঙ অফঙবা চাবসে তৌবিরগনু কোরৌ নুমিৎ খুদিংগী ইপুথৌগীদমক্তা নশুনা চাক শঙবায় অমগা মী অমমগা তমজগে হায়না নিজৌ নপুথৌনা শোয়দনা য়াবিগনি।"

থাংতেক শুংনাইবা নিংথৌ চীংঙু থাংজিংনা তাকপীবা ৱাফম অদুবু অমত্তা কায়দনা লোক্তাক খোংবানদা চৎতুনা পাউবিরাইগী মফমদা খুরুমজদুনা নিজরুরে। পাউবিরাইনসু নিংথৌগী ৱাফমদু য়াবিরদুনা থাংতেক শুংনাইবা নিংথৌনা মোইরাং য়ূমথোঙ খুদিংগী মাগী মাগী চাকথা লেং শেমদুনা পাউবিরাইগী চাকথা হুনবা হৌখরে। অসুম্না নোংমা নোংমা হৌখিবনা নোংমদি থাংতেক শুংনাইবা নিংথৌগী অচানবা মনাই ওইরম্বা খম্নুং শৱা তানখ্রবা অমল য়াইথোঙ কুমখ্রবা লৈত্রেঙ ঈশিং চাইবা কৌবা নুপা অমগী মহাক্কী তালোয় চমংখাবী কৌবী অমদি মচানুপা চহুই লৈরোং পাম্বা কৌবা অনীগী চাকথা লেং থাক্লম্মী। মতম অদুদা মমানা মচাগী মফমদা হায়রম্মী, "ইমাগী ইবুংঙো নহাক্তি নৱা শিঙদা চল্লিবা তাইবঙ পুন্সি নৌরিবা তুংগী লম্বী শাংলিবা অঙাংনিদো অদুনা নহাক লৈহৌখো ইমাদি অহলগী মতম ওইরদুনা তাইবঙ পুন্সি মীয়ায় চন্দুনা তুংগী লম্বী তেল্লেদো অদুনা ইমা পাউবিরাইগী চাকথা ওইখ্রগে।" মতম অদুদা চহুই লৈরোং পাম্বনা হায়রকই, "করি ৱানোদা পলেমও ইমানা নচাবু হেক পোকঙৈদগী ঐবু চাউননবা য়োক্লকপদা ইমাদি অৱাবা কোংগাই নংলক্লবীনি হৌজিক্তা নচাগী মপান চারমদাইদা নচা ঐহাক লৈনা লৈনা ইমানা পাউবিরাইগী চাকথা ওইখিদুনা নচা ঐনা লৈহৌবা ঐহাক পামজদে। নচা পোকচবগী নচাগী মপান চাবা হায়বদু ওইবিদুনা ইমানা নুংঙাইনা তাইবঙপান অসিদা লৈবিহৌ নচানা ইমানা পোকপীরকপগী লমন শিংজবা ওইনা হয়েংগী পাউবিরাইগী চাকথাসে নচা ওইনা চৎচগে হায়রম্মী।" অসুম্না মমা মচানা ঐ চৎকে ঐ চৎকে হায়দুনা ঙাঙনরম্লগা মমা মচাদো অহিং মমৈ ওইশিল্লক্তুনা খোল্লেন তুমখুন হুনখ্রে।

মমা মচা নুংঙাইনা ইশি শিনা তুমথোকখ্রবদা চমঙ খাবীগী মমঙদা লৈত্রেং ঈশিং চাইবা লাক্তুনা হায়রম্মী, নুরা চমং খাবী হয়েংগী পাউবিরাই চাকথাগীদমক্তা নমা নচা করিগী ৱাবগে থাংহি ঙাঙোই চীংশাংদা নশাবি ঐগা লুনা চান্না তিন্নরম্বা নবুং কবুই তোম্বনা নখোয়না ৱারকপা মতমদা মতেং পাংগে ঙাইরিবা করিগী অকাউ পরে চনবগে? চৎলু নখোয় করিমত্তা ৱারুনু নবুংদা পাউ তাক্লুচো ইতাওনা শোয়দনা নখোয়গী নতেং পাঙগনি। ৱাফম অসি হায়রম্লগা লৈত্রেং ঈশিং চাইবা চৎখ্রে। লৈমা চমং খাবী মীকপ থোক্লক্তুনা মচা চহুই লৈরোং পাম্ববু হৌদোক্লগা থাঙহি ঙাঙোই চীংদা খুল্লাকপা ওইনা পাল্লিবা মপাগী মরুপ কবুই তোম্বদা পাউ পীরুচো হায়রম্মী। মমাগী য়াথং মতুং ইন্না চহুই লৈরোং পাম্বা কবুই খুল্লাকপগী মফমদা চৎখ্রে। মপা খুল্লাকপা উন্নদুনা চহুই লৈরোং পাম্বনা পাউবিরাইগী ৱারীবু অমত্তা চিংখদনা তন্লে। মচাগী মপাউ তারগা কবুই খুল্লাকপা মহাক্কী অরুবা লাইশোন তিনশোন হী য়াই পূম্নমকপু মহাক্কী পাইতু খাউদা হাপচিল্লগা নিংশা কাঙলোন য়েংদুনা লান ঙম্বা পুংফমদা কেগে মোইরাং তমদুনা মপা মচা লাকমিন্নরে। চহুইগী ময়ূম য়ৌরদুনা মমা মচা উনরে।

খুল্লাকপগা চমং খাবীগসু উনদুনা পাউবিরাইগী ৱারীদু অমুক নৌনা লীনরে অদুদগীদি মমা মচানা পাউবিরাইগী চাক এঙ্কাং লাঙদুনা চাক অদু কবুই খুল্লাকপনা পুরগা পাউবিরাইনা লৈরিবা লোক্তাক তম্না লাক্লে। লোক্তাক খোঙবান য়ৌরক্লবদা কবুই তোম্বনা পাউবিরাইনা চাক অসিবু চানবা ইরোলনুংদগী ফাওগৎলদুনা মফম অসিদা লাকপদা পাউবিরাইবু শোয়দনা হাৎলগে খন্দুনা মহাক্না মফম অদুদা হৌবা লুৱাং তৌ অমবু য়াল্লগা লোঙ-শা মাপন পানবা লোঙ অমা শাদুনা লোঙজিন অদুদা চীংঙু লাইৱা অহকপা খোইয়ূম লাইৱা অচেৎপবু শোন্দুনা লোঙজিন অদু মৈ হৌহল্লগা মৈনা ফ্রি ফ্রি কামহল্লগা লোঙ অদু খুল্লাকপনা খূৎপায় চেৎনা পায়দুনা পাউবিরাইবু লাকপা ঙাইদুনা লৈখ্রে। মতম অসিদা পাউবিরাইসু চাক লাম্লক্তুনা নুংতিগী মহাক্না চাক চাবা মফম অদুদা চৎলগা চাক চারুরগে খন্দুনা লাইজ ঈরোলনুংদগী ফোঙ লাওনা ফাওগৎলক্তুনা মমিৎ মনা চপ য়ুংখৎলদুনা ময়া লাওনা কাথোক্লগা কবুই তোম্বা অমদি চাক্না লৈরিবা মায়কৈ তম্না তিংখৎতনা চেনশিল্লক্লে। মতম অসিদা কবুই তোম্বনা, হায় হায় পাউবিরাই ঙসি কোরৌ নুমিত্তি নঙগা ঐগা চাইনসি নঙনা ঙম্মে হায়রগা ঐগী য়াইবী লৌজরো ঐনা ঙম্মে হায়রগা লাইরেল নঙবু হাৎলগা পারি ইচা চহুই লৈরোং পাম্বা মমা মচাগী মতেং পাংদুনা ইতাওগী মঙশৎ তালগে নিপা মচা নোংদমগে ইপু মচা নোংখাইগে নোংমদা পোকপা মচানা নীনি শিবা হৌনদে। ইপাসু খুল্লাকপনি ইপুসু খুল্লাকপনি ঐসু খুল্লাকপনি হায় হায় শরি শোন হায়দুনা মানা পায়রিবা মৈ হৌদুনা লৈরবা লোঙ অদুনা পাউবিরাই তম্না সৎ লাওনা লংশিনখ্রে। খোইয়ুমগী লাইৱা শোনখ্রবা শোয়হৈদ্রবা লোঙ অদুনা পাউবিরাইগী লৱাই লেমফু অদুদা চোক লাউনা য়ুংলেদো। কবুই তোম্বগী লোঙগী চৈনা ফংলবা লাইরেল অদুনা লোঙগী চৈনা অদু খাঙফম খঙদ্রদুনা লোঙনা য়ুংনা য়ুংনা কোইচেন চেন্দুনা ফিদ্রিঙ ফিদ্রিঙ চোংদুনা খাঙলম্লগা উপাই লৈত্রদুনা পাউবিরাইদো মপুন্সি লোমখ্রে। মতম অসিদা কবুই তোম্বনা পাউবিরাইগী মনাক্তা চঙশিল্লক্তুনা লুৱাং তৌগী লোঙ অদুবু শৎলগা লোঙ অদুদা মুন্না য়েংলগা নুংশিনা হায়খি, ঙসি কবুই তোম্বা ঐহাক্না পাউবিরাই কৌবা লাইরেল অসিবু হাৎপদা খূৎশু ওইনা শীজিন্নখিবা নুংশিরবা লুৱাং তৌ নহাক্তি হয়েং তুংলমচৎকী মীরোলদা ইচা চহুই লৈরোং পাম্বনা খম্বা কৌনা পোক্লক্লবা মতমদা লৈপাক নিংথৌগী য়াথংনা খোইরেন তাক্তা পাম্বা কৈবু ফারখিনিদো। মতম অদুদা পারি ইচানা পাম্বা কৈবু ফাবদা পায়গদবা তাগী তাখোক ওইনবা থাঙ্গা করাং (চীংজিন্দা) চীং অসিদা খোকৱা ওইনবু হৌ হৌরোকো হায়না কবুই খুল্লাকপনা লুৱাং তৌ অদুবু থাঙ্গ করাং চীংদা থাখি। মরম অসিদগী কবুই তোম্বনা পাউবিরাইবু হাৎপদা লোঙ শাদুনা শীজিন্নখিবা লুৱাঙ তৌ অদুনা খোকৱা ওইনা ওন্দুনা থাঙ্গ করাং চীংদা হৌখিদো।○




*কবুই তোম্বনা পাউবিরাইগী মনাক্তা চঙশিল্লক্তুনা লুৱাং তৌগী লোঙ অদুবু শৎলগা লোঙ অদুদা মুন্না য়েংলগা নুংশিনা হায়খি, ঙসি কবুই তোম্বা ঐহাক্না পাউবিরাই কৌবা লাইরেল অসিবু হাৎপদা খূৎশু ওইনা শীজিন্নখিবা নুংশিরবা লুৱাং তৌ নহাক্তি হয়েং তুংলমচৎকী মীরোলদা ইচা চহুই লৈরোং পাম্বনা খম্বা কৌনা পোক্লক্লবা মতমদা লৈপাক নিংথৌগী য়াথংনা খোইরেন তাক্তা পাম্বা কৈবু ফারখিনিদো। মতম অদুদা পারি ইচানা পাম্বা কৈবু ফাবদা পায়গদবা তাগী তাখোক ওইনবা থাঙ্গা করাং (চীংজিন্দা) চীং অসিদা খোকৱা ওইনবু হৌ হৌরোকো ...*

---

## জাতক্কী শৈরোল

**মৈতৈলোন্দা ইথোকপা : বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মা**

### অয়োকপা শামু



ব্রহ্মদত্তা নিংথৌনা পাল্লিঙৈগী মতমদা,
বরানসি সহরদা ব্রহ্মন শাগৈ অমদা,
ব্রাহ্মন মচা ওইদুনা বোধিসত্ব পোক্লম্মী;
মানা মীয়ায় চল্লকপা ময়ূম থাদোকখিরম্মী।
হিমালয়গী লমদমদা লাইনীংবু ওইদুনা,
হিথাঙবদি চামঙাগী লমজিং-লুচিং তৌদুনা,
পুন্সি লেনখি বোধিসত্ব ময়ামদুগী মরক্তা।
ইন্দসুমনগোত্তদি মমিং চৎলি মরৈদা;
শামু মচা অমবু নুংশি-চান্ন য়োকচখি।
বোধিসত্ব লৌশিংবা হন্না-হন্না তাকপিখি।
"তোনু ফত্তে শামু চাউর' মপু হাৎপনি।
মরমদুনা নৌরিঙৈ থাদোকখিবনা ফবনি।"
য়াবা লৈতে ঙক্কন্দো, থাবা লৈতে শামুদো;
চহী খরা লৈরগা শামু মচা চাউরেদো।
মথোক কাখৎলকপগী ঙাওখৎলকপা তাঞ্জানি;
খাগী-নুংশিৎ'হুম্বদা শারিজেনবু হেনবনি।
থুগায়-খোৎকায়, মাঙহনবা থোইনা নীংজিংনরক্লে,
মপু লাকপা ঙাইদুনা তপথববু ঙম্লক্তে।
উমংদবু লোৎলগা মপু লাকপা ঙাইরকই;
মপু লাকপা উবদা ঙাওদুনা থোরকই।
মনাতোন্না কোত্তুনা মপু অদু থাঙ্গৎল'
লৈমায়-থক্তা য়ৈদুনা মতৌ থিনা হাত্তোক্ল'
অঙাওবগুম খোংদুনা চেনশিনখরে উমংদা।
পাউ অসি তমখরে বোধিসত্ব কৌবদা,
লৌশিংবনা হায়রকই পূম্নমকসি উদুনা;
"ফত্তবগী সঙ্গদি ঙনবা থেঙবা থিরুনু;
হেক্তা-অদুম মফংই থাজদবা তৌরুনু।
নুংশিবগী লীপুন্দ'ই সঙ্গ তৌগে খল্লবা,
খল্লু মাবু সঙ্গ তৌ থম্মোয় ফৈবু খঙলবা।
অফ' মরুপ কৌবদি অফ' ফলগা ইরোয়নৈ;
ফত্ত' সঙ্গ তৌগনু তুংদা মরুপ মাঙহন্নে।"
বোধিসত্ব লৌশিংবা মাগী মরোয়-মনাউদা
পাউতাক কয়া অফবা পীরম্মীদো মখোয়দা।○

---

## অঙাংশিংগী মশান্নবা

**মংশাতাবম চনু নলিনী**

### ফৌ শুবী শান্নবা

**ফৌ শুবী** হায়বা মশান্না অসি মীতৈ অঙাংশিংনা মমাঙঙৈদগী শান্নরক্লবা মশান্না মখল অমনি। মশান্না অসি শান্নবদা চাউরাক্না চহী তরেৎতগী তরা ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপীমচাশিংনা শান্নে। মসিদগী হেন্না পীকপা অমসুং চাউবা অঙাংশিংসু মশান্না অসি শান্নবদা য়াওই। ফৌ শুবী হায়বা মশান্না অসি অঙাংশিংনা শুমাঙ নৎত্রগা লম্পাক্তা নুমিদাংৱাইরমগী মতমদা অয়ান্বা শান্নে।

মশান্না অসি শান্নবগী মওংদি অঙাংশিংনা য়াম্না তোয়না শান্নবা চাকথোংবী হায়বা মশান্না অদুগী মনুং চনবা ফৌশুবী হায়বা মশান্ননি। শান্নবগী মওংদি লৈমায় কূৎলপ তৌবা মফমদা শুম্বল ওইরগা য়েংথৌ নৎত্রগা চৈ মচা অমমম পায়রগা অনীনা ফৌশু লংনবগী মতৌ তল্লগা মখাগী ঈশৈ অসি অৱায় অখূম তৌরগা শক্কনি—

হা ইমা ইমাও
ঐসু লাক্কে ইমাও।
নোং চুই লাক্কনু
ছাতিন তূপ্পুনা মরাক্কে।
লম্বী নাল্লি লাক্কনু;
চৈশু পায়দুনা মরাক্কে।
ঐনা হয়েং চাউরগা
চাউর য়াঙ্গোল ফারগা
শঞ্জেন থোংগী থোংয়াইদা
দোলাই ফৈনা তোংবদা
ইমা পারি কৌবদা
হা খুম্লরোই খুম্লরোই।

ফৌ শুবী হায়বা মশান্না অসি অঙাংশিংনা শান্নবদা অহল লমনশিংনা লৈমায়দা শুদুনা শান্নবা অসিনা অঙাংশিংদা মনম পোন্থোরক্কনি শুগনু হায়দুনা থিংই। ফৌ শুবী শান্নবনা অঙাংশিংদা পীশক পীক্লিঙৈদগী হৌনা য়ূম্বাল্লোনগী মনুং চনবা ফৌশু লক্লবা অসি শান্ন-শান্ননা তম্বী লোয়ননা অঙাংশিংদা শাংলবা ঈশৈ অসি শকপদগী করিগুম্বা ময়েক খরগী ঈশৈ অমবু তান্থা নাইনা সুর পান্দুনা শকপদা মতেং য়াম্না পী। ঈশৈ অসিগী নুংগী ওইবা ভাবতি তাইবঙপানবদা লৈরিবা অচৎ-চত্ত জীব পাল্লিবা পূম্নমক মমানা মচাবু নুংশিদবা জীব অমত্তা লৈতে, মচাগীদমক্তা মচাশিংনা চাগদবা, থক্কদবা পূম্নমক মচাগীদমক্তনি হায়দুনা খাক্তুনা থম্নরিবনি অমসুং মচাগীদমক্তা শিবা ঙম্নরিবনি। অদুবু লুখ্রা ওইরবী নুপীশিংনা নুংশিজরবা মচাবু অতোপ্পা নুপা অমদা ময়ূম পাল্লমদাইগী মতমদদি নুংশিজরবা মচাবু কাউথোকই, মচানা হায়জবা কয়াবু তাবিদনা চেনগদবগী হোৎনৈ। মমানা মচাবু থৌওইদবগী মতৌ অদু উরগা মচানা থম্মোয় শোক্না তেংথাদুনা শকপা ঈশৈ অসিদগী মতৌ তমদুনা অঙাংশিংদা অহল-লমনশিংনা ফৌ শুবদা শক্লনবা তম্বিবনি। অঙাং অমনা শুক অদু থাঙ্গৎখ্রিঙৈদা অতোপ্পা অঙাং অমনা মহাক্কী শুক অদু শুম্বলদা থাদদুনা মথক্কী ঈশৈ অসি অৱায়-অখূম তৌদুনা শক্লগা শান্নে অমসুং অঙাংশিংনা ফৌ শুবী হায়বা মশান্না অসি শান্নবদা লেপ্পগা শান্নে।○

---

## মণিপুরী পাউরৌ

**লোইতোংবম বীরজিতা দেবী**

### দোলাই তোংবীগীদমক ৱাইকুপ

### পুবীনা ৱায়

থায়নঙৈদদি মণিপুরদা ফম্নাইবা অচৌ-অশাং ওইবা অমসুং নিংথৌকোনগী লৈম-শিজশিংনা দোলাই তোংদুনা চৎপসি চৎনরম্মী। লায়রবা মীচম প্রজাদি দোলাই তোংবা ঙম্নরমদে। খোঙনা অদুম চৎনরম্মী। অসিগুম্বা দোলাই তোংদুনা চৎলিবী অচৌ-অশাং ইমুংগী মীওইগীদমক খোঙনা চৎলিবী অমনা ৱাবিরি। খোঙনা মশা ঙাক্তা চৎপসু নত্তবী ৱাইকুপ পুদুনা ৱানা চৎলিবী নুপী অমনা দোলাইদা তোংদুনা নুংঙাইনা চৎলিবী মহাক্কীদমক্তা ৱাবিবা মতৌদু পাউরৌ অসিদা য়াওরি। পাউরৌসিনা উৎলিবা ৱাফমদি মরম ইরৈ লৈতনা নুংঙাই-য়াইফরিবা মীদুগীদমক্তা মথৌ লৈতনা মশাগী ওইরিবা ফীভমগা কাউথোক্তুনা মথৌমক হেক ওইনা খন্দুনা ৱাবিবা মওং অদুনি। তশেংনা হায়রবদা থৌ লৈতনা থৌ লৈবা শাদুনা মীগীদমক্তা ৱাবিবা মীওইশিংগী মওংবু তাকপা পাউরৌনি। অসিগুম্বা করিসু কান্নবা পুরক্তবা, থৌ লৈতনা মীগীদমক্তা ৱাবিদনবা পাউতাকসু পাউরৌসিনা পী।

— — –

### নাইতোম তাবা ষণ কৈনা চায়

ষণ হায়বা শা মখল অসি মাগী-মাগী কাঙলূপ কাঙলূপ নাইদুনা পূন্না চৎমিন্নবগী মওং অসি লৈ। অদুগুম্বা পূন্না চৎমিন্নরিবা অদুদগী অমা তোখায়না তাদুনা মথন্তা লৈহৌরবদি মখোয়বু ঙম্বা শাহিং চাবা কৈনা মশাগী খুদোংচাবা থিরকপদা নাইতোম তাহৌরবা মঙোন্দা তাদুনা তোকই। ময়াম পূন্না লৈমিন্নরিবা অদুদা কৈনা তান্নবগী মহুত্তা মথন্তা তোখায়না তরক-তরক লৈহৌরবা ষণ অদদা তমদুনা কৈনা মচীঞ্জাক ওইনৈ। পাউরৌসিনা চেন্নিংলিবা পাউজেন্দি মীওইবা ঐখোয়সু সমাজ লীংদুনা কাঙলূপ-কাঙলূপ নাইদুনা লৈমিন্নরিবনি। মরমদুনা ময়াম পূন্না হিংমিন্নবদুনা লৈমিন্নবদগী তোখায়না তাদুনা লৈবা নৎত্রগা ময়ামদগী তোখায়না ইথন্তা লৈবা অফবা ওইদে। খুদোংথিবা ওই হায়বদু পাউরৌ অসিনা অমরোমদা প্রমান ওইনা উৎপনি।।

———

### নাচল মথিনা পাউহোম্মী

নাচল হায়বসি অপীকপা মখলগী জীব অমনি। মসি মফমসিদা লৈ নৎত্রগা লৈতে হায়বসি মখোয়না ফায়রিবা মথী অদুনা অদুম তাকই। মখোয় লৈরবদি মথীসু অদুম লৈ। কনাগুম্বা অমনা করিগুম্বা থবক অমা নৎত্রগা ৱাফম অমা ময়াম খঙহন্নিংদবদগী তুমিন্না অসুম হোৎনজবদা খঙদবা য়াদদুনা কনাগুম্বা অমনা খঙখিদুনা ৱাফম অদু নৎত্রগা থবক অদু হায়দোক্কনু, হায়দোক্কনু হায়রগা মথং-মথং য়া-য়া লাউদুনা ময়াম্না খঙবা মতমদা পাউরৌসি হায়না শক্লে।○